

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



Saturday, May 08, 2021, Imphal | Page 11


ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা থা ৩ ফাজিল্লক্ত্রবা মতম অসিদা টোকিও অমদি অতোপ্পা মফমশিংদা থা অসিগী ১১ ফাওবা থল্লম্বা ইমর্জেন্সি অদু মখা তানা থা অসি লোইশিল্লকপা ফাওবা থল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগা

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা টেবল টেন্নিসকী দিসিপ্লিনদা নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বালিফাই ওইদুনা মাংজিল থাবা ঙম্লবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা মশাগী অশোনবশিং অদু ফগৎনবগীদমক ট্রেনিং চথরিবা সাথিয়ান গনসেখরন

## রফেল নদাল মায়থীবা পীখিবা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা সেমীফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মগা লম্বা তৌনরগনি

মাদ্রিদ, মে ০৭ (এজেন্সী):

ক্লে কোর্টকী লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা স্পেনগী টেন্নিস শান্নরোয় রফেল নদাল মায়থীবা পীদুনা জর্মনিগী অলেজেন্দর জ্বেরেভনা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রফেল নদালনা মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভকা লম্বা তৌনখিবনি।

মেটচ অদু হৌবদগী শান্নরোয় অনীগী পাঙ্গল মান্নখি। হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা লাকখিবা অদু জর্মনিগী শান্নরোয় জ্বেরেভনা য়াম্না মরুওইবা গেম অমদা রফেল নদালগী সর্ভিস ব্রেক তৌবা ঙমখি। লোয়নননা মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌদুনা লৈখিবদগী অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদুসু হান্নগুম্না শান্নরকপদগী খেন্নবা লৈখিদে। জ্বেরেভনা নদালগী সর্ভিস গেম অমা অমুক হন্না ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা অনীশুবা সেট অদুসু থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নদাল মায়থীবা পীরম্বা অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনি।

দোমিনিক থিয়মনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ু এস এগী টুর্নামেন্ট অদুদা সিদিং য়াওদনা শান্নরকখিবা জোন ইস্নরগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু য়ু এস এগী শান্নরোয় অদুনা থিয়মগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা দোমিনিক থিয়মগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লক্তুনা জোন ইস্নরগী সর্ভিস গেম অমা মহাক্না অমুক ব্রেক তৌদুনা অহানবা সেটকী স্কোরগা চপ মান্নবা ৬-৩দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীমক ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা সেট অমমম্ মান্নদুনা লৈখি।

সেট অমমম্ মান্নরবা মতুং মখা তানা দোমিনিক থিয়ম অমদি জোন ইস্নরনা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা শান্নরকপদা সেট অদুগী ৮শুবা গেম লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৪-৪ মায় পাক্লখি। অদুবু দোমিনিক থিয়মনা মহাক্কী মায়কৈদগী ফজবা শোট কয়া শীজিন্নরগা জোন ইস্নরগী সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা অলেকজেন্দর জ্বেরেভকা থেংনগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা বেলারুসকী এরিনা সভালেনকা ঙরাং অথেংবা শান্নবা সেমীফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভাগা লম্বা তৌনবদা ইৱা ৱাদনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায় পাকপা ঙমখি।

অহানবা সেট অদু সভালেনকানা পাব্লুচেনকোভাগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইখি। মদুগী মথা তারকপা অনীশুবা সেট অদুদা পাব্লুচেনকোভাগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু সভালেনকানা মহাক্কী সর্ভিস গেম অমা অমুক হন্না ব্রেক তৌখিবদগী ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী দবলসতা অনীশুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রাইচিকোভা অমসুং কেটেরিনা সিনিয়াকোভানা অহুমশুবা সিদেদ কানাদাগী গেব্রিএলা দাব্রোস্কি অমসুং নেদরলেন্দসকী দেমি স্কুরসকা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



## অর্জুন লাল জাট অমসুং অর্বিন্দ সিংহ রোৱিংগী ওলিম্পিক কোটা ফংবা ঙমখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী রোৱর অর্জুন লাল জাট অমসুং অর্বিন্দ সিংহ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী রোৱিংগী লাইট ৱেথ দবল স্কলস ইভেন্টতা ওলিম্পিককী কোটা ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী রোৱর অনী অদুনা ঙসি জপানগী সিটি টোকিওদা এসিয়া/ওসিনিয়া কন্টিনেন্টেল ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন অদুদা অনীশুবা পোজিসন ফংদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

রোৱিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাজলক্সমী সিংহ দিওনা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবদা, নুপাগী লাইট ৱেথ দবল স্কলস ইভেন্টতা ঙসি পাঙথোকখিবা এসিয়া/ওসিনিয়া কন্টিনেন্টেল ক্বালিফায়িং কম্পিটিসন অদুদা মকোক থোংবা অহুম্না ওলিম্পিক্সকীদমক্তগা ক্বালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা পীবনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা লৈবাক অমদগী পীবা বোট (হি) অমখক্তমক ক্বালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা পীবনি। ইন্দিয়াগী অর্জুন লাল জাট অমসুং অর্বিন্দ সিংহনা হায়রিবা লাইট ৱেথ দবল স্কলসদা অনীশুবা পোজিসন তাখিবদগী ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি হায়রি।

কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস স্কলসদা য়াওখিবা জাকর খান মরিশুবা পোজিসন তাহৌবদগী ওলিম্পিককীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অর্জুন লাল অমদি অর্বিন্দনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী রোৱর ওইরি। মখা তানা ইটালিদা পাঙথোক্কদবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র টুর্নামেন্ট অমা লৈরবসু ইন্দিয়াগী রোৱিং ফেদরেসননা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী রোৱর অমত্তা শরুক য়াহল্লরোই হায়রি।

## টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হোক্কীগী গোল্ড মেদল ফংবনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী অমত্তা ওইবা পান্দমনি : রাজকুমার পাল



বেঙ্গলুরু, মে ০৭ (এজেন্সী):

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হোক্কীগী দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেদল ফংবদুনা ইন্দিয়াগী টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়না নহা ওইরিবা মিদ ফিল্ডর রাজ কুমার পালনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপাগী হোক্কীদা ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী ওলিম্পিক গেমসতা চহী ৪১গী মতুংদা মেদল ফংবা ঙম্লবা হৌজিক লৈরিবা টিম অসিনা মখোয়গী অৰৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নগনি হায়খি। হোক্কী দিসিপ্লিনদা পাৱর হাউসনি হায়না মমাংদা লৌনরম্বা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮০ মোস্কো ওলিম্পিক গেমসতা ইকোন কোনবা ওইনা ৮লকশুবা ওলিম্পিক হোক্কীগী গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মদুগী মখা তারকপা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদনা লাক্লি।

চহী ২৩দা ঙাইরিবা রাজকুমার পালনা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র হোক্কী টিমদা হৌখিবা চহীদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা প্রো লীগ হোক্কীগী মেটচ অমদা বেলজিয়মগা শান্নবদা শরুক য়াখি। মহাক্কী মায়কৈদগী অহানবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা শান্নরকপদা মকোক থোংবা টিম অমগা মায়োক্নবা ফংখিবা অদু মহাক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফজবা অমদি কাউবা য়াররোইদবা মেটচ অমা ওইখি হায়রি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মহাক্কী মায়কৈদগী অৰৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল লৌবা অসিনা অমত্তা ঙাইরবা লাইনিং ওইরি হায়খি।

## ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ অমদি ইংলেন্দ সেরিজগীদমক্তা রবিন্দ্র জাদেজা অমসুং মহমদ সামি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা য়াওখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৭ (এজেন্সী):

মালেমগী ওইনা ক্রিকেটকী লম্দা অহানবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২০গী মমিং লাউথোরকপদা ওল রাউন্দর রবিন্দ্র জাদেজা অমসুং বোলর মহমদ সামিগী মমিং য়াওখ্রে।

মীওই ৫না শাবা নেসনল সেলেক্সন কম্মিটিনা ঙসি শান্নরোয় ২০গী মমিং অদু লাউথোরকপনি। শান্নরোয় ২০ অদুগী মনুংদগী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেটচ অমদি ইংলেন্দগা শান্নগদবা টেষ্ট সেরিজকী টেষ্ট মেটচ মঙা শরুক য়াননবা খনগৎলকপনি।


মমাংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা মমিং লৈরবা বোলর ওইরম্বা চেতন শর্ম্মনা লুচিংবা মীওই ৫গী নেসনল সেলেক্সন কম্মিটিনা অতোপ্পা শান্নরোয় ৪ অমসু ষ্টেন্দবাই ওইনা খনখি। রবিন্দ্র জাদেজা, মহমদ সামি অমদি হানুমা বিহারি শান্নরোয় ২০গী মনুংদা য়াওবা ঙমখ্রবসু মরক্তা থুপচিনখ্রবা আই পি এলদা ফজবা ঙমখিবা হার্দিক পান্দিয়া অমসুং কুলদিপ য়াদবকী মমিংদি য়াওখিদ্রে। ষ্টেন্দবাই ওইনা খনখ্রবা শান্নরোয় ৪ অদুদি অভিমন্যু ইশ্বারন, প্রসিদ কৃষ্ণ, অভেস খান অমসুং অর্জান নাগ্বাস্বালানি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ইংলেন্দদা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী লৈবাক অদুগা টেষ্ট মেটচ ৫গী সেরিজ শান্নগদৌরি। অহানবা মেটচ অদু ওগষ্ট ৪দগী ৮ ফাওবা নোটিংঘম সিটিদা শান্নগনি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা মেটচ অদুনা ওগষ্ট ১২দগী ১৬ ফাওবা লোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগদৌরি। অহুমশুবা মেটচ অদুনা ওগষ্ট ২৫দগী ২৯ ফাওবা লীদস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নগনি। সেপ্টেম্বর ২দগীনা ৬ ফাওবা ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দ ৪শুবা টেষ্ট মেটচ শান্নরগা মেঞ্চেষ্টর সিটিদা সেপ্টেম্বর ১০দগীনা ১৪ ফাওবা ৫শুবা টেষ্ট মেটচ শান্নগনি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইনা ভিরাট কোহলিনা থৌদাং লৌগদৌরি। অজিনক্যা রাহনেনা ভাইস কেপ্টেন অদুগা রিশব পন্টনা ৱিকেট কিপ্পর ওইগদৌরি।

## কোলকাটাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজংদা খূৎশম্নদুনা মতেং পাংবা হৌখ্রে

কোলকাটা, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপা অসিনা পীরিবা চৈথেং অসি লান্থেংননবা হোৎনবগী খোঙজংদা কোলকাটাদা লৈবা ফুটবোল ক্লব অনীনা মফম অদুদা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী মতাংদা খূৎশম্নদুনা মতেং পাংবা হৌখ্রে।



শগোলশেন নুমীৎতগী হৌরদুনা ফুটবোল ক্লব সাউদর্ন সমিটি অমদি কালিঘাট মিলান সঙ্ঘ এফ সীনা ইন্দিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগা খূৎশম্নরগা কোলকাটাদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবা হৌখ্রে।

সাউদর্ন সমিটি ফুটবোল ক্লবকী সেক্রেটরি সৌরভ পালনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অদুগী মনাক নকপদা ক্লিনিক অমা লৈবা মরম্না মফম অদুদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পা লাকপা মীওইশিংগী অৱাবা অদু য়েংদুনা লাক্লিবশিং অদুদা লেম্না ভেক্সিন কাপ্পা য়াবগী খূদোংচাবা অদু পীননবা হোৎনরকপনি হায়রি।

মমাংদা ক্লব অসিনা ফুটবোল মশান্না অসিগা নক্নানা লৈবা মীওইশিং খক্তগী ওইবা মওংদা ভেক্সিন কাপ্পগী মতেং পাংনবা হোৎনরম্বনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভকী চৈথেং অসিগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং খক্তা নৎতনা অতোপ্পা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদসু লেম্না ভেক্সিন কাপথোকপা য়াবগী খূদোংচাবা অদু ফংহল্লগনি হায়খি।

সৌরভ পালনা মখা তারদুনা নক্না লৈবা অতোপ্পা ফুটবোল ক্লব কালিঘাট মিলন সঙ্ঘ এফ সী অমদি ইন্দিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনদা ৱারী শাদুনা লেম্না কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিং অদু পায়খৎমিন্নসি হায়না ফোঙদোক্লুবদা চাওনা মতেং পাংলকখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মমাংদা চহী ৪৫দগী হেনবা ফুটবোলগী রেফরিশিং, ক্লব ওফিসলশিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি শান্নরোয়শিং য়াওনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিং অদু লৌখৎনবা হোৎনরম্বনি। অদুবু ক্লব অনী অমদি ইন্দিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগা পূনশিন্নদুনা অহেনবা মওংদা লেম্না ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিং অদু পায়খৎলকপনি হায়না সাউদর্ন সমিটি ফুটবোল ক্লবকী সেক্রেটরি সৌরভ পালনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এথলিট হিমা দাস কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে



ন্যু দেল্লী, মে ০৭ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী লমজে-ল্লোয় হিমা দাস কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখ্রে।

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা হৌজিক-হৌজিক ট্রেনিং চথুরিবী মশাগী চহী ২১দা ঙাইরিবী হিমা দাসনা ভেক্সিন কাপখিবগী অহানবা শোট অদু সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্কী ৱারোলদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপ্লে, নখোয়সু কাপ্পু হায়বগী ৱাফম থল্লকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা এথলেটিক্সকী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মহাক্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা অহানবা ওইরি। এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা এথলিটশিংনা রেজিষ্টর তৌরবা মতুংদা ভেক্সিনশিং অসি লেম্না কাপ্পা য়াগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮ এসিয়ন গেমসতা নুপীগী মিটর ৪X৪০০ অমসুং মিক্স ৪X৪০০ রিলেদা গোল্ড ফংবা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখিবী হিমা দাসনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনদি ইন্দিয়াগী রিলে টিম অসি হৌজিক ফাওবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রি।


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

**Ref :- Mut. Case No. 401/SDC/YPK/2021 Dtd. 07/05/2021**

Parties- 1. Md. Najir Khan S/o Late Md Abdul Ali of Yairipok Bamon Leikai.
2. Md. Riaj Khan S/o Late Md Abdul Ali of Yairipok Bamon Leikai.
3. Md. Azad Ali S/o Late Md Abdul Ali of Yairipok Bamon Leikai.
4. Md. Mutim Shah S/o Late Md. Mubarak Ali of Yairipok Bamon Leikai.
5. Md. Ali Murtaza S/o Late Md. Mubarak Ali of Yairipok Bamon Leikai.
6. Md. Munir Ahamad S/o Late Md. Mubarak Ali of Yairipok Bamon Leikai. ...*Petitioner*

-Vrs-

1. Late Abdul Ali S/o Late Abdul Hamid of Yairipok Bamon Leikai.
2. Late Mubarak Ali S/o -do- of -do- ...Opp


**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Yairipok, the 07/05/2021

Under Section 46 (3) of MLR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১০৫ - বামোন লৈকাই পাট্টা নং ৩৩ অরিবা, ১২ অনৌবা, দাগ নং ৪৪, এরিয়া .২৫৫০ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং ১) অব্দুল অলি পীং মৃ: অব্দুল হামিদ সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকাই, নং ২) মুবারক অলি পীং ঐ সাং তথাদা লৈবা অসি মৃ: ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নর নং ১) মু: নজির খান পীতা মৃ: মু: অব্দুল অলি সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকাই, নং ২) মু: রিঅজ খান পীতা মৃ: অব্দুল অলি সাং তথা, নং ৩) মু: অজাদ অলি পীং মৃ: ঐ সাং তথাদা দাগকী নোংচুপ্তা এরিয়া .১২৭৫ হেক্টর, নং ৪) মু: মুতিম সাহ পীতা মৃ: মু: মুবারক অলি সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকাই, নং ৫) মু: অলি মুরতাজা পীতা মৃ: মুবারক অলি সাং তথা অমসুং নং ৬) মু: মুনির অহমদ পীং মৃ: মুবারক অলি সাং য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা লৈবা অসিদনা দাগকী নোংপোক্তা এরিয়া .১২৭৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/9194/8 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Yairipok


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 102**

**Raja, Harshit (2434) - FM Davtyan, Artur (2298)**
**24th Abu Dhabi Masters Abu Dhabi UAE, 2017.08.21**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.g3 Nf6 | 3.Bg2 e6 | 4.d4 Be7 |
| 5.O-O O-O | 6.c4 dxc4 | 7.Ne5 Nc6 | 8.Bxc6 bxc6 |
| 9.Nxc6 Qe8 | 10.Nxe7+ Qxe7 | 11.Na3 Rd8 | 12.Qc2 Rxd4 |
| 13.Be3 Rd5 | 14.Qxc4 a5 | 15.Nb5 Ba6 | 16.a4 Qd7 |
| 17.Rfc1... | | | |

**QUESTION :**

**Black to win or Draw**

**Puzzle 101 Ans. :**

**22.** b3 Bh2+ **23.** Kf1Be5The black bishop pins White's knight against White's rook. **24.** g3Rh1+Intermediate check **25.** Kg2 Rxd1 **26.** Rxd1 Bxc3

**22.** ...Bh2+ **23.**Kf1 Be5 **24.**Ne2 Bxa1 **25.**Rxa1 Rh1+ **26.**Ng1 Rd8 **27.**Rc1 c5 **28.**Ke2 c4 **29.**bxc4 Rd4 **30.**c3 Rxc4 **31.**Kf1 f4 **32.**Rc2 a5 **33.**f3 a4 **34.**a3 Kg7 **35.**Kf2 Kf6 **36.**Rc1 Rh5 **37.**Ne2 Rb5 **38.**Rh1 h5 **39.**g3 Rb2 **40.**gxf4 Rxc3 **41.**Rxh5 Rxa3


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 137/SDC/Bishnupur, 2021**

1. Thoudam Tikendra Singh S/o (L) Th. Kala @ Mangi Singh of Toubul Makha Leikai Ward No. 3.
2. -do- Vijay Singh S/o Th. Tikendra Singh of -do- -Petitoners

-Vrs-

Late Thoudam Kala @ Mangi Singh S/o (L) Th. Ibobi Singh of Toubul Makha Leikai Ward No. 3.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Bishnupur, the 7th May, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thoudam Kala @ Mangi Singh S/o (Late) Th. Ibobi Singh of Toubul Makha Leikai Ward No. 3 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul পাট্টা নং 134 (অরিবা) 213 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 1332 গী 1.13 চাওবা তাওথবী অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/9735/8 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 136/SDC/Bishnupur, 2021**

1. Thoudam Tikendra Singh S/o (L) Th. Kala Singh @ Mangi Singh of Toubul Makha Leikai Ward No. 3.
2. -do- Vijay Singh S/o Th. Tikendra Singh of -do- -Petitoners

-Vrs-

Late Thoudam Kala Singh @ Mangi Singh S/o (L) Th. Ibobi Singh of Toubul Makha Leikai Ward No. 3. -O.P.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Bishnupur, the 7th May, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Thoudam Kala @ Mangi Singh S/o (Late) Th. Ibobi Singh of Toubul Makha Ward No. 3 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul পাট্টা নং 25 (অরিবা) 689 (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং 75 গী 0.80 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

HL-P/9735/8 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Bishnupur